**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-01-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৬-০১-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) বিষ্ণুপুর জিলাগী শাইতোন ঙানুকোনদা ঙরাং থোকখিবা বোম পোখাইবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা ঙসি কৌরম্বা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং হন্দোকখ্রে।

২) ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন(অমজ)গী ৫১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রি অমসুং কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত শাহনা ঙসি নিউ দেল্লিগী বিগ্যান ভবনদা কোরপোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতি কনক্লেভ হৌদোক্লগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী শাইতোন ঙানুকোনদা ঙরাং বোম এটেক তৌরকপদা নুপী অমা য়াওনা মী অনি শোক্লে, য়ুম অমনা খরা অমাং অতা থোক্লে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌদোক অদু মী লৈনদবা য়ুম অমদা ফুল্লম্বা বোম অনি মথং মথং পোকখায়রকপদগী থোকখিবনি। তুংদা মীয়ামা মফমদুদা চংশিল্লকপদা অমুক্কসু বোম অনি কাপশিল্লকপদগী মী অনি শোকখি।

থৌদোক থোকফম অদুদা, ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস অমসুং জিলা অসিগী এস.পিনা চত্তুনা য়েংশিনখি। থৌদোক থোকফমগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবগা লোয়ননা মীয়ামগী শাফনবা সেক্যুরিতিগী অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না থাজবা পীখ্রে । থৌদোক অসিগী মতাংদা কুপা থিজিন্নবা এন.আই.এদা শিন্নখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা ঙসি রাজ্য অসিগী মফম পুমমক্তা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং চংশিনগী তৌরম্বা অদু হন্দোকখ্রে হায়রি।

**পুলিস ১ (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা নোংমদা তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গারি ২৭২ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে হায়রি।

**অমজ (এল)ঃ** ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)গী ৫১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা অমজগী কেলেন্দর অমসুং দাইরিসু ফোংগনি। লুপ অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা মীওইশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি।

**ৰেদরঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-বিহার, নোংচুপ থংবা উট্টর প্রদেশ অমসুং মধ্য প্রদেশতা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা লৈচিল কা হেন্না থাবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। ফিভম অসি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং, বিহার, উরিষা, ছতিসগর, রাজস্থান, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং ডট্টরাখন্দদসু লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা মায়োকরবা য়াই হায়রি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি অমসুং কোওপরেসন মন্ত্রি অমিত শাহনা ঙসি নিউ দেল্লিগী বিগ্যান ভবনদা কোরপোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতি কনক্লেভ হৌদোক্লগনি। মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহনবা অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক ৱাৎপগী থৌওং হন্থহন্নবদা কোরপোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতিগী থৌদাং হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিগী পান্দমদি-অঙাংশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ৱাৎপগী থৌওংশিং হন্থহন্নবা পুন্না অমসুং অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা চংশিনমিন্নবা খন্নবনি । মীফম অসি নেসনেল দেরি দেভলপমেন্ট বোর্ডনা শিনবনি। মসিদা গৃহ মন্ত্রিনা সেল-ভিলাই স্তিল প্লান্ট ছতিসগরগী কোরপোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতিগী মখাদা পায়খৎপা গিফট মিল্ক প্রোগ্রামগী অহুমশুবা ফেজ হৌদোক্কনি। মসিনা ভিলাই স্তিল প্লান্টকী খোনিগী অকোইবা মফমশিংদা লৈবা সরকারগী স্কুলশিংদা মহৈ তম্লিবা অঙাং লিশিং ৪ রোমদা কান্নবা ফংহনগনি।

**শাহ ঃ** বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা লাক্লিবা তামিল নাদুগী বিধান সভা মীখলদা এন.দি.এনা শোইদনা মাই পাকহন্নবা বি.জে.পি লুচিংবশিং অমসুং দলগী কর্মিশিংদা খঙহনখ্রে। তামিল নাদুগী তিরুচিরাপলিদা ঙরাং পাঙথোকপা দলগী কর্মিশিংগী মীফমদা শ্রী শাহনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি সরকারনা পায়খৎলিবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা মীপুম খুদিংমক্তা ফংহনবদা দলগী কর্মিশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌনবা খঙহনখি। পনবা য়াই,

তামিল নাদুনা বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা শ্রী শাহ মফম অদুদা লৈরি। রাজ্য অদুদা সরকার পায়রিবা দি.এন.কেগী অশোইবশিং মীয়ামদা উৎথোকবা অমসুং এন.দি.এনা মীখলদা মাই পাকবা দলগী কর্মিশিংনা কন্না হোৎনগদবনি হায়নসু গৃহ মন্ত্রিনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী শাহনা এ.আই.এ-দি.এম.কেগী লুচিংবশিংগা উনদুনা মীখলগী শেম শারিবশিংগী মতাংদা খন্নখি।

**এক্সতরনেল এফিয়র্সঃ** বিমস্তেক লৈবাকশিংগী ওইনা কেন্সর কেয়রগা মরী লৈননা পাঙথোকপা স্পিসিয়েলাইস ত্রেন্নিং প্রোগ্রামগী অনিশুবা তাঙ্কক ঙরাং বিসাখাপটনমদা লৈবা হোমি ভাভা কেন্সর হোস্পিতাল এন্দ রিসর্চ সেন্তরদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদু বিমস্তেক অমসুং এস.এ.এ.আর.সিগী এক্সতরনেল এফিয়র্স মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি সি.এস.আর রামনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রামনা হায়-বিমস্তেক লৈবাকশিং মরুওইনা বঙ্গলাদেশ, ভুতান, ম্যান্মার, শ্রী লঙ্কা থাইলেন্দ অমসুং নেপালদগী মীহুৎ কয়ানা থৌরম অসিদা শরুক য়ারি। মহাকা হায়-মফম অসিদা কেন্সর লায়নাগী চৈথেং হেনগৎলকপা অমসুং মসিবু থেংননবা অখন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া ৱাৎপনা কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং স্কিল দেভলপমেন্টকী তঙাইফদবা কয়া লৈরি।

খোঙথাং অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ৬ শুবা বিমস্তেককী মীফমদা হৌদোকবা লাউথোকখি অমসুং এক্সতরনেল এফিয়র্স মন্ত্রালয়গী মতেংগা লোয়ননা তাতা মেমোরিয়েল সেন্তরগী লিচিং মখাদা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিগী অহানবা শরুক মমাঙ চহীগী জ্লাই অমসুং ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখি। মসিদা বঙ্গলাদেশ, ভুতান, ম্যান্মার অমসুং নেপালদগী কেন্সর কেয়র প্রোফেসনেল ২১ তাকপী তম্বীখি।

**এনভাইরনমেন্টঃ** কেন্দ্রগী এনভাইরনমেন্ট মন্ত্রি ভ্পেন্দ্র য়াদবনা সভাপতি

ওইদুনা সেন্ত্রেল পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্ডকী খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং নিউ দেল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়-মীফম অদুদা ঈ.পি.আর পোর্তেল অমসুং ঈ.পি.আর ইলেক্ত্রোনিক ত্রেদিং প্লেটফোর্মগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা প্লাস্তিক অমসুং ঈ.ৱেস্টশিংগী ওইবা ফত্ত হাউদিগী পোৎলমশিং ৱেস্ট মেনেজমেন্টকী চৎনা কাংলোন মতুং ইন্না য়েংশিন্নবগী মতাংদসু খন্নখি। মীফম অদুদা, এনভাইরনমেন্ট ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী রাজ্য মন্ত্রি কিরতি ভর্ধন সিংহসু শরুক য়াখি।

**জয়শঙ্কর ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর ঙরাং ফ্রান্সতা থুংখ্রে। পেরিসতা মহাকা ইন্দিয়া-ফ্রান্স টেক্সতাইল এক্সপোজিসন য়েংখি। খোঙচৎ অসিদা ডাঃ জয়শঙ্করনা ফ্রান্সকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নগনি। উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরকিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

ডাঃ জয়শঙ্করনা ফ্রেন্স এম্বাসাদরস কনফরেন্সকী ৩১ শুবা ইদিসনদসু ৱা ঙাংগনি। ডাঃ জয়শঙ্করগী অনিসুবা খোঙচৎ ওইনা মহাকা লক্সেমবার্গতসু চৎকনি। মহাকা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বিষ্ণুপুর জিলাগী শাইতোন ঙানুকোনদা বোমগী এত্তেক্ট চত্থরক্কুনা মাচম অনি অশোক অপন নংহনখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে খুদিংমক্কী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- শাইতোনদা কুকিশিংনা ফুল্লম্বনি চিংনবা বোম মথং মথং পোখাইখ্রে, মীচম অনি শোক্লে। খোইশাওনরবা মীয়াম হৌরক্তুনা সেক্যুরিতিগা চাউনা মুকখ্রে, সি.আর.পি.এফকী বঙ্কর থুগাইখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা- পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, অমসুং হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নৌনা ইলেক্সন তৌদুনা ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈহনগদবনি হায়না এ.আই.সি.সিগী মণিপুর ইন চার্জ সপ্তগিরি সঙ্করনা এম.জি.নরেগা বচাও সংগ্রাম কেম্পেইন হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সাইতোন ঙানুকোনদা বোমগী এত্তেক্ট চথরকখিবগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা লুপ অমসুং সি.এস.ওশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্টিব্যুসন (কেফ এন্দ পি.দি)না লুচিংদুনা ওইল পম্পশিংদা য়োল্লিবা পেট্রোল অমসুং দিজলদা য়াওফম থোকপা মগুনশিং চপ চানা য়াওব্রা য়েংশিনবা হৌখিবগী পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

অসামদা মণিপুরী ওতোনোমস কাউন্সিল শেমবা তকশিনখে হায়বা পাউ-

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মহৌশানা লৈজরম্বা উচেক মখল কয়া উবা ফংলক্ত্রিবসি মহৌশাগী খলদা অচৌবা অকাইবা লৈব্রা? কাইথরক্লিবা ইকোলোজিকেল বেলেন্স থিংননবা লৈঙাকা চপ চানা থবক লৌখৎপা মতম ওইরে হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- পাউমাই থৌনি ২০২৬ কী পালন থৌরম পি.এন.য়ু হেদক্কাতরসকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা, সাইতোনদা চথুখিবা বোম এত্তেক্টকা মরী লৈননা সটদাউন চথুগনি হায়না তৌরম্বদু হন্দোকখ্রে, মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম কয়া পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং জিলাগী ভাঙাইচুনপাউদা লৈবা রানিগাইদিনলিয়ু স্তেসন য়েংশিন্নবগীদমক রেলৱে সেফতি নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্তিয়র সর্কল কোলকতাগী কম্মিসনর শ্রী সুম্মিট সিংহলনা লুচিংবা রেলৱেগী ওফিসিয়েল কাংবু অমা মণিপুরদা থুংখ্রে হায়বা পাউ- গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং জিলাগী বামগাইজাং খুলদা লৈবা জিহ ঙুৱাং বিচনা লম কোইবা কয়াগী পুকিং চিংশিনবা ঙম্লে হায়বা পাউ- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**